

*য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস*

*ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব এষ্টোন ভিল্লাদা মখা তানা চহী অমা শান্নবগী কোন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রবা অহমদ ইলমোহামাদি*



## ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ৱুমেন’স ক্বালিফায়রগী মাঙওইননা উজবেকিষ্টানগা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্নগনি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২২ এ এফ সি ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী শেম শাবা টুর ওইনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না উজবেকিষ্টানগা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্নরগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না ঙসি লাওথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা লোইশিনখিবা কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিনা কোটিফ কপ্তা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুবু শীংথারদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরনা টিম অসিদা স্পিসিয়েল ট্রোফিগা লোয়ননা ফেয়র প্লে এৱার্দসু পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না উজবেকিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী অদু লৈবাক অসিগী সিটি টাস্কেন্টতা লৈবা য়াক্কাসারি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৯ অহানবা অমদি মথং থাগী ২ দা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ ওইনা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসি ফিফা ৱুমেন’স ৱার্ল্ড রেঙ্কিং দা হান্না লৈরম্বা মফমদগী পোজিসন ৬ হাইগৎলগা ৫৭শুবদা লৈবা ঙমখিবনি।

উজবেকিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীদা শরুক য়ানবগীদমক প্রিপেরেটরি নেসনেল কেম্প পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা য়াওননবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই ২৯ গী মমিং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ঙসি লাওথোকখিবনি। খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অসি নীংথিনা ত্রেনিং পাঙথোক্তুনা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী অসিগীদমক স্কৱাদ খনগনি হায়না এ আই এফ এফনা থাদোরকপা পাউ অসিনা মখা তারি।

প্রিপেরেটরি কেম্প অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং ২৯ গী মমিং অদুদি– গোলকিপরদা এম লিন্থোইঙম্বী দেবী, আদিতি চৌহান, সোমিয়া নারায়নাশ্বামী, অর্চনা এ অমদি ই পান্থোইনি। দিফেন্দরগী খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি আসালাতা দেবী, স্বিটি দেবী, জাবামনি টুদু, মাইকেল এম কেষ্টানহা, ৱাই পাকপী দেবী, স্রুতি কেরামল, সামিক্সা অমদি এ কোমল কুমারীনি।

মিডফিল্ডরদা সঙ্গীতা বাসফোর, সঞ্জু যাদব, ইন্দুমাথি কাথিরেসান, রঞ্জনা চনু, মনিসা, রিতু রানি, রতনবালা দেবী অমদি গ্রেস ঐচ লালরাম্পারীনি। ফোরৱার্দকীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি অঞ্জু টামাং, বালা দেবী, দাংমৈ গ্রেস, অনুস্কা সামুয়েল, রেনু, দায়া দেবী, রোজা দেবী অমদি সন্ধ্যা রঙ্গানাথননি।

## ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি প্রনিথ ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

BWF TOTAL WORLD CHAMPIONSHIPS BASEL 2019 SWITZERLAND



*ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু (ওই) অমদি সাই প্রনিথ*

*বাসেল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী সিটি বাসেলদা চথরিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি সাই প্রনিথ মখোয়–মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা য়ু এসকী বৈৱেন ঝাংবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৪, ২১–৬ তা মায়থিবা পীরগ্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৮ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৯, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরগ্লগা মহাকসু নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটাগী মখূত্তা ১৯–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী সোরায়া দি ভিসপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীগ্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা নেদরলেন্দসকী সোরায়া দি ভিসপু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১–১০ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা গেম শান্নরকপদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা চথবা ঙমখিবদগী নেদরলেন্দসকী সোরায়া দি ভিসপু ২১–১১ দা থোইবা ঙমদুনা সাইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপা সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইজরেলগী মিসা জিলবরমেনবু গেম ২–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ইজরেলগী মিসা জিলবরমেননা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থপু ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থনা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী অনীশুবা গেম অদু স্রিকান্থনা ২১–১২ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থনা হেন্না ফজবা ঙমখিবদগী ইজরেলগী মিসা জিলবরমেনবু ২১–১৬ তা থোইবা ঙমদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী দবলসকী পেয়র আর্জুন অমদি রামচন্দ্রন শ্লোক চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চেং লিয়ু অমদি নান ঝাংগী মখূত্তা ১৪–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী দবলসকী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী পাই য়ু পোবু ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরগ্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী পেয়র জাক্কম্পুদি মেঘানা অমদি পুরভিসা এস রামসু মখোয়গী শান্নখিবা রাউন্দদা জপানগী পেয়র সিহো টানাকা অমদি কোহারু য়োনেমোটোগী মখূত্তা ৮–২১, ১৮–২১ দা মায়থিহৌবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মপান থোকখি।

## ফ্রান্সকী বেনোট পাইরে অমদি রুশিয়াগী এন্দ্রে রুব্লেভ ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ফ্রান্সকী বেনোট পাইরে (ওই) অমদি রুশিয়াগী এন্দ্রে রুব্লেভ*

*নোর্থ কেরোলিনা, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী নোর্থ কেরোলিনাদা চথরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ৱিন্সটন সালেম ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ফ্রান্সকী বেনোট পাইরে অমদি রুশিয়াগী এন্দ্রে রুব্লেভ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেনা ১৫শুবা সিদেদ অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই য়ু হমবর্টপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৩–৬, ৭–৬(৭–২), ৬–৩ দা থোইরগ্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ১১শুবা সিদেদ স্পেনগী কারেনো বুষ্টাগা শান্নরগনি। স্পেনগী কারেনো বুষ্টানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ ইটালিগী এল সোনেগোবু ৭–৬ (৯–৭), ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

রুশিয়াগী শান্নরোই এন্দ্রে রুব্লেভনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ য়ু এসকী শান্নরোই সাম ক্বেরিবু টাই ব্রেক সেট অনী (৭–৬), ৭–৬(১২–১০) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভকা শান্নরগনি।

কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী এম কেচমানোভিসপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন অমদি য়ু এসকী ষ্টিভ জোনসন শান্নরগনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি। য়ু এসকী ষ্টিভ জোনসন্না মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা ১২শুবা সিদেদ নোরৱেগী কেস্পর রুদবু ৬–২, ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা ৮শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু অহানবা সেট ৬–২ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নদ্রিঙৈদা ক্রাজিনোভিস শোকপনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী য়ু এসকী টিয়াফো ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অহুমশুবা সিদেদ পোলেন্দগী হবর্ট হুরকেজগা শান্নরগনি।

পোলেন্দগী হুরকেজনা ১৬শুবা সিদেদ স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজগা শান্নবদা পোলেন্দগী হুরকেজনা অহানবা সেট ৬–৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নরকপদসু হুরকেজনা স্পেনগী লোপেজদগী গেম ৩–১ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ লোপেজ মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী পোলেন্দগী হুরকেজ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা বৃটেনগী জেমী মুরে অমদি এন স্কুপস্কীগা শান্নরগনি।

পোলেন্দগী কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মেলোনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা বৃটেনগী ইভান্স অমদি ও মারাবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা বৃটেনগী জেমী অমদি স্কুপস্কীনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমদি জে মেলজরবু ৪–৬, ৭–৬(৭–৫), ১০–৭ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা বেলজিয়মগী এস জিল্লে অমদি জে ৱ্লিগেননা য়ু এসকী পেয়র এন মোনরো অমদি টি সেন্দগ্রেনগা শান্নরগনি। বেলজিয়মগী জিল্লে অমদি ৱ্লিগেননা ক্বার্টর ফাইনেলদা বৃটেনগী বেন্ত্রিদজ অমদি জপানগী মেকলাক্লানবু ২–৬, ৭–৬(৭–৪), ১০–৭ তা থোইরম্বনি। অদুগা য়ু এসকী পেয়র মোনরো অমদি সেন্দগ্রেননা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ য়ু এসকী রজিব রাম অমদি বৃটেনগী জে সালিসবুরিবু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

## দেবিস কপ টাই নবেম্বর থা ফাওবা য়ৈথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান্না শান্নগদবা দেবিস কপ টাই অদু চহী অসিগী নবেম্বর থা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না ঙসি লাওথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা শান্নগদবা দেবিস কপ এসিয়া / ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান টাই অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৪ দগী ১৫ ফাওবা পাকিষ্টানগী কোনুং ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিং দা সেক্যুরিটিগী খুদোংচাদবা কয়া লৈবদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ন্যুত্রেল ভেন্যু অমদা দেবিস কপ টাই অসি পাঙথোক্নবা আই টি এফতা হায়জখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা দেবিস কপ কম্মিটিনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা নবেম্বর থাদা তৌনবা য়ৈথোকখিবনি।

নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী দেবিস কপ টাই অসিগী মতম সেপ্টেম্বর ৯ গী মমাঙদা লাওথোক্কনি হায়না আই টি এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## ‘ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট’ গী মতাংদা লৈঙাক্তা এদভাইস পীনবা কম্মিটি অমা শেম্লগনি

সত্যমেব জয়তে

युवा कार्यक्रम और खेल मंत्रालय

Department of SPORTS

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী মীওইশিং মরুওইনা শান্নরোইশিংবু মশা–মঙ ফনা থম্নবা অমদি পূন্সি মহিংদা অহোংবা লৈনবা পান্দমগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংগী শরুক ওইনা ‘ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট’ কী মতাংদা লৈঙাক অসিদা এদভাইস পীনবা কম্মিটি অমা শেম্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এদভাইজরি কম্মিটি অসিদা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ, নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসন্স (এন এস এফ’স), গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিং, প্রাইভেট বোদিশিং অমদি মশা মঙ ফরবা মীওইশিং কয়ামরুম য়াওরি।

লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং মরুওইনা শান্নরোইশিংবু মশা মঙ ফনা থম্নবগী পান্দমদা লিংখৎক্কদৌরিবা ‘ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট’ অসি থা অসিগী ২৯ দা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা লোঞ্চ তৌগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লৈবাক শিংনবা থুংনা লোঞ্চ তৌগদৌরিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিগী পান্দমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু হকচাং শাজেল তৌহনবা অমদি শান্ন–খোৎনবা তৌহন্দুনা মশা মঙ ফনা থম্বা অমদি অফবা পূন্সি মহিং অমদা থম্বনি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, নৌনা শেমগদৌরিবা ইদভাইজরি কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা গভর্ণমেন্টকী মেম্বরশিং, স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া, আই ও এ, এন এস এফকী মেম্বরশিং মরুওইনা এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন, সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অমদি কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা বোদিশিংনসু মথৌ মশক খঙনা তৌনবা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মখা তারক্লি।

ইদভাইজরি কম্মিটি অসিগী চেয়রপার্সননা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ওইগনি। প্রাইভেট বোদিশিং অদুদি কনফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ইন্দষ্ট্রিজ (সি আই আই), রিলায়েন্স ফাউন্দেসন, জে এস দব্লিয়ু সিমেন্ট এন্দ জে এস দব্লিয়ু পেন্টস, এস ই ট্রান্সষ্টদিয়া প্রাইভেন্ট লিমিটেদ, টাটা ট্রষ্ট, এ এস এস সি ঐচ এ এম ইন্দিয়া, ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান চেম্বর এন্দ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি (এফ আই সি সি আই) অমদি এক্তর সিল্পা সেথি অমদি মিলিন্দ সোমান য়াওরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

## জোনাথন হোলবু আই সি সিনা জেনরেল কাউন্সেল ওইনা খনখ্রে

*দুবাই, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না জোনাথন হোলবু বোদি অসিগী জেনরেল কাউন্সেল অমদি কম্পেনি সেক্রেটরী ওইনা খনখ্রে।

জোনাথন হোল মরুওইনা ফুটবোল অমসুং রগভি মশান্নদা চহী ২৭ হেন্না লিগেল এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীওই অমনি।

জোনাথন হোল মালেমগী মকোক থোংবা স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন কয়ামরত্তমদা সেনিয়র কন্সলটেটিভ ওইনা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমসু ওইরি। মহাক্না কন্সলটেসন পীরম্বশিংগী মনুংদা য়ু কে মরুওইবা এসোসিয়েনশিংগা লোয়ননা য়ু ই এফ এ অমদি লোরিয়স য়াওরি।

জোনাথন হোল ইংলেন্দগী ফুটবোল বোদি ফুটবোল এসোসিয়েসন ( দি এফ এ) দা চহী ১১ রোম দাইরেক্টর ওফ গভর্নেন্সতা অহানবা ওইনা য়াওরবা মতুং ফুটবোল সার্ভিস দিভিজনগী দাইরেক্টর ওইখি।

জোনাথন হোলনা আই সি সিগী লিগেন দিভিজন্দা য়াওরকপা অসিদা তরাম্না ওকই, মহাক্কী হৌজিক লৈরিবা এক্সপরিয়েন্সশিং অদুনা ক্রিকেট কম্যুনিটিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না আই সি সিগী সি ই ও মনু সোনেনা ফোঙদোকখি।

## অনকিতা রাইনা মায়থিহৌরে

*ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী টেন্নিস মশান্নগী নুপীগী মকোক থোংবী শান্নরোই অনকিতা রাইনা য়ু এস ওপন ক্বালিফায়িংগী অনীশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই দেনিসা অল্লরটোভাগী মখূত্তা পুং ২ গা মিনট মিনট ১৭ শান্নরবা মতুং মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতগী হৌরগা চেক রিপব্লিক্কী দেনিসা অল্লরটোভানা ফজখিবদগী ৬–৪, ৬–২ দা মায় পাকখিবদগী অনকিতা ক্বালিফায়িং অসিদগী লৈহৌবনি।


Help Help

BUMPER HOUSIE DRAW

In aid of: FUND DRIVE

Orgd. by: ATHLETIC SPORTS ASSOCIATION (ASA)

On : Sunday the 24th August, 2019
Time : 7.00 p.m. (Sharp)
Venue : ASA Ground, Singjamei Kongba Road

Ticket Rate Rs. 500/-

ATTRACTIVE PRIZES

1st Housefull - Honda Activa
2nd Housefull - Honda Pleasure
3rd Housefull - Honda Pleasure
Quick five - Rs. 3000/-
Star of ASA - Rs. 3000/-
1st Line - Rs. 3000/-
2nd Line - Rs. 3000/-
3rd Line - Rs. 3000/-



SL/5225/22-24 Aug 19


ক্রোসৱার্দ ২৫৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | O | O | R | E | | T | S | P | S | | I | S | L | E |
| A | N | G | E | L | | O | K | R | A | | N | O | E | L |
| P | E | R | F | E | C | T | I | O | N | | T | O | E | S |
| S | S | E | | C | O | E | D | S | | G | E | N | R | E |
| | | | A | T | O | M | | P | E | A | R | | | |
| S | T | A | L | E | | | E | E | R | I | N | E | S | S |
| A | R | M | A | D | A | | S | C | A | T | | A | P | T |
| G | A | P | S | | T | E | S | T | S | | A | S | I | A |
| A | I | L | | S | A | V | E | | E | A | T | E | R | Y |
| S | T | E | E | P | L | E | S | | | R | O | S | E | S |
| | | | D | E | E | R | | E | A | R | P | | | |
| R | A | B | I | D | | M | E | R | G | E | | R | I | O |
| A | B | E | T | | C | O | R | R | E | S | P | O | N | D |
| F | L | E | E | | B | R | I | E | | T | R | A | C | E |
| T | E | N | D | | S | E | E | D | | S | O | D | A | S |